## নহাশিংগী অখন্নবা কাখল : - নহা ফাল

> "ঈশ্বরনা চর্চ শারিবা খুদিংদা শৈতান্নসু শাগানি চপ্পেল অমা।"
>
> - মার্টিন লুথর, টেবল টোল্ক

### থোক্লদরা পাখৎচৈ নুপী লাল

মহৌশাগী খুৎশেমদা খ্বাইদগী নীংথিবি
মহৌশা লাইরেম্বী ইমাগী খুদোলদি
নুপী ! ইমা ! নহাকনি
মালেমদা পীক্লা তোমথিন ঙাল্লিবা
হে পলেম মতম অমগী মৈত্রবাক
হৌজিক্কিনা মণিপুর
লৈজরম্বা লৈশাগী লৌশিং পুন্বা
য়ৌখিবগুমলে অদুঙৈ ১৬শুবা চহীচাগী
"পুয়া মৈ থাবা" অদুঙৈগী মৈরিলক্তা
অপুনবৈ পাঙ্গল কৌদুনা
য়েক্লববু মরুপনি খন্দুনা
চংজফম লৌরি ! খুরক্কী ঈনা লাই শাখি
খোংজোম তুরেলদা ঈখেং পাক্তক্লখি
মীখুৎ চনখি, মীয়ানচানা লৈঙাকখি
ফোংনা কয়া লোৎনা কয়া মীওৎ মীনৈরক্লবদা
লমন খুমনিংমনবৈ মৈরিনা
চুরুরে সাহেব অমগী লৈফমবু
মৈরিকপীদগী হৌরক্লে মৈবুল
থোক্লক্কনি ময়াথং উবু কবো লমদৈ চিংলুনবা
ময়োল তমদা লৈবা তম্বশিংদা
য়ুম্বু শারুনবা য়াথং থোক্লকখ্রে
ময়া থুদেকখ্রবা নোংশা গুমলে মৈতৈ নুপাশিং
উপাই লৈত্রবা মতমদা
চনুশিংদি অথোইবি মৈত্রবাক্কী লাইরেম্বিনা
পান্থোইবিগী শক্লোন লৌররে
থোমজিনখি মায়োক্তা শাহেবশিংগী
কুমজা ১৯০৪দা থোকখি মালেমসিদা অহানবা
নুপীশিংতনা হৌবা "নুপী লাল"
ঙমখি নুপীশিংতগী থৌনানা
মালেমসিগী ৱাখল হোংহনবা
মীখা পোল্লবা লমদম ওইবনা
পাঙথোক্লিংবা থবক পাংথোকরকপা
মপু শাবশিংগী মরমচৎনি
ইরমদমগী লৈহাওদা থোকচবা
ফৌওইবী মরল সনা ফৌবু
লমদমসিদৈ মপাল লমদা থাদোকপা
মসিবু থিংবা ঙমখিদে মৈতৈ পাথৌশিং মরক্তা
মসিগী মরম হায়ববু অতৈ করি নৎতেদো
মীখাপোন মচা ওইবৈ মথক্তা
লালুপ, মীনাই ফুঙ্গা কয়াদি থাদোরকপা
মপা মতোন মচাশিংদো
শুনিং নোমনিং মাংখিবক্তা নত্তনা
ৱাখল লৌশিং ফকখ্রেদো
অসিগুম্বা কুমজা ১৯৩৯দা
থোকখি মালেম পুম্বনা ঙকনখিবা
ইমাশিংগী নুমীৎ "নুপী লাল" অনীশুবা নুপীলাল
মালেস থম্মোয় ঙকখি
মালেমগী নুপী কয়াগীদি তমজনফম ওইখি
অদুঙৈগী মণিপুর
মীনাই য়োংহিং থাংলসু
মপু শাবশিংদগী নিখিদে
হৌজিক্তি করিনো ইরমদম?
ফৌওইবি মরল কাউদুনা, পুশিল্লক্তবৈ মীচেংবু
থোক্লদরা পাখৎচৈ নুপী লাল?
করিগীসু পাখৎলোই মচাশিংগী অৱা পুন্বা উবদি
"ইমাতনি"
খোমলেন মঙলাক্লদ্রিঙৈ, ইমাগী মপারি মমোম পুন্বা ও
খুৎতা পায়রসি হৈজ-হৈজবা শিনফম
থাঙ্গোলগীসু মথৌনি
কোলোমগীসু মরুনি, হকশেলগীসু ইথৌনি
কল্লসি মুৎতনবা ইরমদম, থোক্লসি মীকপ চৎন-চৎন
তুন্নিবা ঐখোয়।

❒ বিদ্যালক্ষমি

### পুন্সি লমজেল

য়েক্লবগী লম্বেলনা মাংদা থা
নিংহনবগী লম্বেলনা তরাম্না ওক্লি
নুংশিবগী ইকৌরোলনা মায়কৈ পুন্বা নিক্লি
পলেম ফিজিনা খ্বাংলোমদা চিংলি

হেনগৎসি কদাই, হন্থসি করোমদা
তুংলোমদা চৎলে পাংদবা
মমাং মায়কৈ তিংখং তুম্বৌ
শাদুনা অসুম লাকপা শেলগী লম্বেলসে

করোমদনো পন্থুংসে, মীওইবগী
শেলতগী ফুরারা থিরক্লিবা?
অপাম্বগী তুংনফমনা করোমদা?
থাংলসিরা খোংফমসে
তিংখং তুম্বৌ লক্তা
শেমখিসিরা লম্বেলসে শেলতনা খুজিং ওইনা

নম্থোরক্লে ইমাগী, থোকিদগী কিসি
কোমথরক্লে, নিনখিদরে নুংশিবগী খোঞ্জেলসু
পাংদবনা তুংদা চিংলি
মচিন তুমখৎলক্লি তিনখং তুম্বৌলক্কী লম্বেলসু

করোমদনো থাংগদবা খোংথাংসে
ইমাগী কিসি, নুংশিবগী লিপুনবু হুন্দোক্লম
চৎলসিরা তিংখংলক্তা
শেলতগী ফুরাবু ফংনবা

লাউরি অমুকসু পাংদবনা
শেলতগিরা পুন্সি লমজেলসে
অপাম্বদি কদোমদা?
অকনবনি অনীগী লানসে
ৱাখলগী পোৎথাফম ইপাকসু ফুনখ্রে
নিলম্বা খোঞ্জেল কয়াসু তাখিদ্রে
করম্বা লম্বেলনো চৎকদবা ঐহাক্লা
মনিং হনসিরা ঐহাকপু?
মাংলোমদা চৎসিরা তিংখংলক্তা?

❒ শোইবম তেনিতা





## কুমজা ২০২২গী মণিপুরগী মীখলদা আর্টিষ্ট খুন্নাইগী মীৎয়েং



থোঙ্গ্রাম হিরামোতি



সুর অথোকপম



বিশেস হুইরেম



নহাকপম দিপু

*লৈবাক অসিদা মীখল কয়ারক পাঙথোকখ্রে। কুমজা ২০২২গী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনসু কুইশিল্লক্তরে। মীখলদা শেল চঙদনবা হোৎনসি অমদি অফবা কেন্দিদেটশিং খনসি হায়নরবসু ভোট ময়া নকশিল্লকপগা নুংশিৎনা হুন্বা মায়কৈ অমরোমদা অদুমক পুদুনা চৎলি। অদুবু হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা অমদি আর্টিষ্টকী খুন্নাইনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করি-করম্বা মখলগী মীখল পাম্মী, করম্বা কেন্দিদেটশিংনা ভোট কাহন্নিংই অমদি মীহুৎ খনবদা লৈবাক মীয়াম্না করম্বা মওংদা খলহন্নিংই হায়বগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা শিনফমদা শক্লাইরবা মীওইশিংনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি।*

লৈবাক মীয়াম্নসু হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি মদুদি করিগীদমক লৈবাক অসিদা মীখল পাঙথোক্লিবনো হায়বসি অদুবু লাইবক থীবদি ঙসি ফাওবদা মীখল পাঙথোক্লিবা অসিদা অদুমক পেন্নদবগী ৱাফম কয়া অমা ফোঙদোক্ল দবদি নত্তে। অদুবু হৌখিবনা হৌখ্রবসু ঙসিগী অমদি তুংগী মীরোলশিংগীদমক খল্লগা অপাম-মীহৌবা খুদিংমক থাদোক্তুনা শেল চঙহন্দনা অফবা মীহুৎ খন্নবা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা মতম অদু লাক্লে।

শেল খরগীদমক ইশা অমদি লৈবাকপু য়োন্থোকপা হায়বসি ৱাখল তাবা অমদি লৈবাকমচা তাবা মীওইশিংগী থৌওং নত্তে। ঙসি ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরনা অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী শোৎথনা লৈরিবসি করিগীনো হায়বা ৱাহং ঐখোয় ইশানা হংজবা মথৌ য়াম্না তারে। চিন্দনা অমা খুৎতনা অমা তৌবগী থৌওং থাদোক্লসি। শেল খরা ফংহৌনবা হায়বগী ৱাখল অদুনা ঐখোয়দা অমদি তুংগী হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা ফংহৌগদবা চৈথেং অদু খন্থমিন্নসি। মপা-মমা ওইবা হায়বসিদি তুংগী হৌরক্কদৌরিবা ইচা-ইশুশিংনা হিংহৌগদৌরিবা পুন্সি মহিং অদু নুংঙাই য়াইফনা হিংহৌবা ঙম্নবা হোৎনবিরম্বা হায়বদুনি। শুপ্পগী ঐগী-ঐগী ইমুংগী য়াইফনবা হোৎনবা হায়বদুদি য়াম্না ৱাখল থেনবগী মতৌনি। ঐগী ইমুংনা নুংঙাইরবসু লৈবাক মীয়াম্না ৱারবদি ঐগী ইমুংনা নুংঙাইবগী তশেংবা ৱাহন্থোক অদু লৈরোই। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা ঐখোয় পূম্নমক্লা অমত্তা ওইনা তুংগী খল্লগা শেল চঙহন্দবা ইলেক্সন অমা ওইহন্দুনা লৈবাক্কী অমদি ঐখোয় পুম্নমক্কী অফবা থবক পাঙথোকপা ঙমগদবা মীওইশিংদা ভোট পীসি হায়না লমদম অসিগী শক্লাইরবা লীলারোই থোঙ্গ্রাম হিরামোতিনা ফোঙদোরক্লি।

ইরমদম মণিপুরগী মপুং ফানা চাওখৎ থৌরাং পুরকপা ঙম্লবা মরা চেৎপা লৈঙাক অমা ওইহন্নবগীদমক লৈবাক মীয়াম্না লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা হোৎনহন্নিংই। পার্টি অমনা হেক্তা লৈঙাক পায়বদা মীচম অমা ওইনা করিসু কায়দে হায়না খল্লি। তৌবতবু পার্টি অমনা ওইরবসু অমদি অতোপ্পা পার্টি অমনবু ওইরবসু লৈঙাক শেম্বা মতমদা লৈবাক্কীদমক খনবা লৈঙাক অমদি ওইহন্নিংই। বন্দ-ব্লোকেদ লৈতবা, তংদু লৈতানা চাওখৎপগী লম্বীদা পুরকপা ঙমগদবা অমদি অওনবা পুরকপা ঙমগদবা লৈঙাক অমা য়াম্না মথৌ তারে। নৎত্রবদি ইরমদম অসি অদুমক মীমান্নদনা অতোপ্পদা মীপাল তাংদুনা হিংবা লমদম অমা হায়বদু ওইনা হিংখিবা য়ানা লৈরে। পোৎচৈগী মমল তাংহন্দনা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অদু কোকহন্নবা হোৎনবিবা ঙম্বা অমদি মীয়ামগী ইহুল খঙনা লমদম অসিদা লৈরিবা ইস্যুশিং থৌনা লৈনা কোকহনবা ঙম্বা অদুগুম্বা লৈঙাক অমা ওইহন্নিংই হায়না শক্লাইরবা লীলারোই সুর অথোকপমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

সুরনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা মীয়াম্না ইলেক্সন মতম য়ৌরকপদা লুচিংবশিংনা ভোট কাখ্রগা মীয়ামগী করিসু থবক তৌরক্কদবা লৈত্রবনিনা ইলেক্সনদা কেন্দিদেটশিংদগী শেল খরা মতেং ওইনবা লৌহৌরগা লোইরে হায়না খন্নরিবা ৱাখল অসি অমরোমদা লাল্লি হায়বদি হায়জনিংদে। মরমদি ৱাখল্লোল অসি লুচিংবশিংনা ওইহল্লকপনি। অদুবু মীয়াম্না মসিমসু কাউথোকপা চুমদে মদুদি মীহুৎ খনবা হায়বসি ঐখোয়গী খুৎতা লৈ। ঐখোয়না শেল লৌদনা মীহুৎ খল্লবদি মখোয়না ভোট কাখ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী থবক তৌরক্তবা মতমদা ঐখোয়না এম এল এশিংদা পারা কয়া তম্বিবা য়াই। মতিক চাদ্রবা মীয়ামগী থবক তৌনবা খল্লিবা মখোয়না মীয়ামগী থবক তৌরক্ত্রবদি মতুংগী ইলেক্সনদা মীয়াম্না মহাকপু অমুক হন্না থাগৎতবা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী খুৎতা লৈ। মরম অদুনা শেল লৌদনা পূম্নমক্লা অমুক্তা ভোট থাদরগা য়েংসি মদুদা করিগুম্বা এম এল এ অদুনা ভোট কাখ্রবা মতুংদা থবক তৌরক্ত্রবদি মীয়াম্না চাওথোক্লা মহাক্কী মথক্তা ৱা ঙাঙবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

লমদম অসিগী শক্লাইরবা লিলারোই বিশেস হুইরেমনা ফোঙদোরকখিবদা মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কী মহুৎ শিন্দুনা অফবা থবক তৌরক্লবগীদমক ভোট থাদদুনা মীহুৎ খল্লিবনি। লুচিংবশিংনা মীহুৎ হায়বগী ৱাহন্থোক য়াম্না ফজনা খঙহন্নিংই। মীয়ামগী রিপ্রজেন্টেটিভ ওইরিবা লুচিংবা অদুনা থবক তৌরক্ত্রবদি মীয়াম্না লুচিংবা অদুবু অমুক হন্না মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কী মীহুৎ অমা ওইহল্লবদি মদুগী মাঙজবা ঐখোয়গীনি হায়বসি খঙনা শেল চঙহন্দনা অফবা তশেংনা থবক তৌবা ঙমগদবা মীওইশিংবু মীহুৎ ওইনা মীয়াম্না খনসি। শেল খরা পীরগা অমদি চান-থক্লবা খরা পীরে হায়দুনা ইশাগী ভোটকী রাইট য়োন্থোক্লোইসি অমদি ইশা-ইশাগী ভেল্যু লৈহনসি হায়বা ৱাফম থমজনিংই হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

নহা ওইরিবা শক্লাইরবা শৈশকপা নহাকপম দিপুনা হায়, লমদম অসিগী মীয়াম অয়াম্বনা আর্টিষ্ট য়াওনা লোয়না ৱারে। তশেংনা হায়রবদা হৌজিক লমদম অসিদা লৈরিবা সিষ্টম অসি অতোংবদা লৈথোনবা অমদি অকুৎপদা লৈতোংবা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা পূম্নমক্কী অৱাবা খঙনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরক্কদবা অমদি লৈবাক্কী হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা ইস্যুশিং অসি নুপা থোক্লা মায়পুননা থবক পাঙথোকপা ঙমগদবা মীহুৎশিং ঐখোয়গী খনবা মথৌ তাই। নৎত্রবদি ঐখোয় অদুমক ঙসি হিংলিবা পুন্সি মহিং অসিদা হিংবা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী অমত্তা লৈররোই হায়জনিংই। শেঞ্জা-থুমজা তৌরোইদবা লৈবাক্কীদমক খঞ্জবা মীহুৎশিং খল্লসি। মীয়াম্নসু ভোটতা কেন্দিদেটশিংদগী শেল লৌরোইসি। ঐখোয়না মীহুৎশিংবু মমায় চুমদুনা চৎকদবদু মখোয়না ওইনা মমায় চুমদুনা চৎলিবা অসি য়াম্না লানবা থৌওংনি হায়না ফোঙদোরকখি।




## খোরিফাবা আর্টিষ্ট এসোসিএসন, নম্বোলগী *দ পোষ্ট মাষ্টর*

কোরস রিপর্টরি ঠিএটরনা শীন্দুনা দি স্রাইন প্লেহাউসতা পাঙথোকখিবা ঠিএটর ইভেন্ট, ২০২১গী মঙানি চনবা নুমীৎতা খোরিফাবা আর্টিষ্ট এসোসিএসন, নম্বোলগী *দ পোষ্ট মাষ্টর* উৎখ্রে। প্লে অদু মহাকবি রবিন্দ্রনাথ তেগোরগী ৱারীমচাদগী রনবির খোইস্নামনা দিজাইন অমদি দিরেক্সন পীবনি। প্লে অসিগী এসোসিএট দিরেক্টরনা ঐচ রোবিন্দ্রো সিংহনি। অতৈ ক্রেদিটরশিংদি- এল অশালাতা (কষ্ট্যুম দিজ ইন), ঐচ দরাবারি শর্ম্মা (সেট এন্দ প্রোপ্স), বিসে মোইরাংথেম (ম্যুজিক কম্পোজর), ও বোবি (সাউন্দ দিজাইনর)নচিংবনি। অদুগা ওন ষ্টেজদা থোক্লিবা এক্টরশিংনা- ঐচ দরাবারি শর্ম্মা (পোষ্ট মাষ্টর), ৱাই সঞ্জোলিল দেবী (রতন), এম মোহিন্দ্রো সিংহ (নেরেটর), ঐচ রোবিন্দ্রো সিংহ (ন্যু পোষ্ট মাষ্টর) লোয়ননা- এম রীনা চনু, অনুপামা তখেল্লম্বম, পি চঙখোলৈমা চনু, পি রিতা দেবী, নোংপোকঙানবী পাওনম, হুইদ্রোম সঞ্জু দেবী, এন শালু (পাকপী) চনু, সাইরেম লোকেশ্বর, তখেল্লম্বম রিঙ্গো সিংহ,



খোরিফাবা আর্টিষ্ট এসোসিএসন, নম্বোলগী *দ পোষ্ট মাষ্টর* লীলাগী মমি

লাইফ্রাকপম মৈরাবা অমদি সেঞ্জম দিকসননি।

প্লে অসি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মনুংদা লৈবা উলাপুর হায়বা চাউখৎপগী মমি তাদ্রিবা চিক্লবা চীংয়া অমদা থোকপা ৱারী অমনি। মমা-মপা কনাসু লৈত্রবী রতন কৌবী নুপীমচা অমা পোষ্ট ওফিস লৈরিবদুদা পাখন মচা



অমা খন্থদুনা মথন্তা লৈজবনি। খুঞ্জাশিংনা নুংশিদুনা অরৈবা পীজদুনা লাকই। মফি ফাওবা অনী শুজদে। খুঙ্গং অদুগী মনাক্তা নীমগী ফেক্টরি অমা লৈ, মপানগী শিন্মীশিংনা থবক সুই। শিন্মীশিং অদুগী চিঠি থাদোক থাজিন খুদোংচানবগীদমক বৃটিশ সাহেবশিংনা পোষ্ট ওফিস অদু লিংখৎলম্বনি। মতম খরা থবক পুবীনবা মী লৈতবদগী ওফিসকী থবক লেপ্পুরবা মতুংদা পোষ্ট মাষ্টর অমা পোষ্টিং তারকখি। পোষ্ট মাষ্টর অদুনদি মফমদু য়াম্না লৈনিংখিদে। উফুল থাংবা, থক্লবা অফবা ঈশিং ফংদবা, খুঙ্গংগী ঈরম নালাগা ইশম শম্নবা পুখ্রি অমগী ঈশিং চাবা, থকপা, ফিশু-ফিজাম্বা, ঈরু-মায়থবা পুম্নমক লোইনা শীজিন্নবদু হৈনখিদে। রতননা মহাক্কী থবক খূদিংমক মতেং পাংবীখি, ঈশিং মায়শিং, ফিজু-ফিজাম, চান-থক্লবা খূদিংমক হোৎনবীখি। রতননা মবুং অমা ফংজরে খঞ্জখি। নুংশিনা দাবা বাবু কৌজখি। অদুবু পোষ্ট মাষ্টরদুদি মফমদুদা লৈনিংখিদে, মরী লৈনবশিংদা এপ্লিকেসন থাদুনা মহাকপু ট্রান্সফর তৌবীনবা হায়জখি। মমৈথংদা মহাক থবক থাদোক্লগা ময়ুমদা হন্নবা ৱারেপ লৌখি। পোষ্ট মাষ্টরদুনা হয়েং মফম অসি থাদোক্তুনা চৎলনি হায়রকপদা রতন নীংবা য়াম কায়খি। চৎখিদনবা হায়জে। চৎলবসু মহাকপুসু পুবীয়ু, মহাক মথন্তা লৈহৌরগনি হায়না ফনা য়াম্ন হায়জরবসু পোষ্ট মাষ্টর অদুনদি য়াখিদে। অসুম্না কায়নখিবদা রতননা নীংবা কায়না লৈহৌবদুনা প্লেসিগী শম্লপ্পা ৱারীনি।

ফজরিবদি প্লে অসিগী নুংদা চেল্লিবা মীওইবগী মীনুংশি, নাইতোম তাবগী অৱাবা অমত্তা ওইনা তীন্নবগী মওংগী শক্তম কয়া পুথোক্তুনা মীয়ামদা থেল্লকখিবা, অহিংদা থোক্লিবা থা, চীংয়াদা পাইরিবা লৈচিলগা মীওইবগা করম্না শম্নরিবা, মকা লাম্লবা পূক্লিংগী নিংঙাই কয়া অদু দিরেক্টরনা লমদমসিগী লৈহাওগা চুনবা কলচরগী মশক, অঙাংশিংগী মশান্না, ট্রেদিসনেলগী ওইবা পোৎলম চৈরম কয়া শীজিন্নদুনা ক্রিএটিভ প্রোসেস অমদা মনুং থিৎনা চঙশিল্লগা ঠিএট্রিকেল ভর্সন অমা নীংথিনা শেমগৎলকখিবা অদুদা এক্টরশিংনা চঙশিন্দুনা মথ্বায় হাপ্লকখিবা অদুনি ফজরিবসি। খুঙ্গংগী পুন্সিরোল শাগৎলকপা, মরাইবক থীরবী নুপীমচা অমবু ময়াইদা থম্লগা মীওইবা খুন্নাই অসিদা শোথদুনা লৈরবা পুন্সি কয়াগী মশক উৎতুনা মীয়ামগী পূক্লিংবু মীনুংশিগী লংলা অমনা পুননবা হোৎনখিবা দিরেক্টরগী চাংয়েং অদু তশেংনা মায় পাকখি হায়না লৌবা য়াই। প্লে অসিদা রতন শাখিবা ৱাই সঞ্জোলিগী সাইকোলোজিকেল ওইবা এক্টিংগী রেঞ্জ অসি অসুক্কী মতিক শাল্লে। মহাক্কী পূক্লিংদা ৱাখলদা মখোল থোক্তনা কারিবা মনিন অদু এক্টিং ওইনা এক্সপ্লোর তৌরকপদু অঙকপা অমা ওইখি। এক্টরসিগী বোদি- সোল-মাইন্দগী ঈথক-ঈরৈ কয়াদু লৈ-লৈদুনা হুমদুনা পুরক্লগা মপোপ কায়দনা অয়েংবশিংদা ফাওহনবা ঙমখিবনা, য়েংখিবা খূদিংমক্কী মীৎতা পী তাহনখি। মসি অচৌবা মায় পাকপনি। য়াওখিবা এক্টর খূদিংমক তৌফম থোকপশিং মচা তানা উৎখি, ফজৈ। প্লেসি মপুম ওইনা য়েংবদা মায় পাকপা অমা ওইরে।

## কোভিদ প্রোটোকোলশিং


লৌশিং পুক্কে

### য়াম্না চেকশিন্না ঙাকপগী মতমদুদা অমুক হঞ্জিনবা মথৌ তারব্রা?

কোভিদকী অনৌবা ভেরিয়ন্ট ওমিক্রোন থোক্লকপদগী মালেমগী মফম কয়াদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং অসুক্কী মতীক ৱাংখৎলকখ্রে। য়ুনাইটেদ কিংদমদদি পেন্দমিক অসি হেক হৌগৎলকপদা থেংনখিবা নোংমগী ওইবা কেস মশিংশিংগী খ্বাইদগী য়াম্বা মশিং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থেংনখ্রে, মসি লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদনা অমুক্লা হেন্না ৱাংখৎলকখিগনি হায়না পানরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগী পোজিটিভ কেস মশিং ৭৬,৬১০ রোম রিপোর্ট তৌখি, মসি হান্না জন্যুৱারী থাদা থেংনখিবা খ্বাইদগী য়াম্বা মশিং অদুদগী ১০,০০০ হেল্লিবনি। য়ু কে হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মতুংইন্না, ওমিক্রোনগী নৌনা থেংনখিবা কেস ৪৬৭১ থারগা অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিগী কনফার্ম তৌরবা কেস মশিং পুন্না ১০,০১৭ শুখ্রে। ইন্দিয়াদা শগোলশেল নুমিৎতা ভেরিয়ন্ট অসিগী অনৌবা কেস ৪ থেংনখিবা থারগা পুন্না কেস মশিং ৭৭দা হেনগৎলকখ্রে। সাউথ অফ্রিকাদগী শন্দোকপা হৌরকখিবা ওমিক্রোন ভেরিয়ন্ট অসিনা অতোপ্পা ভেরিয়ন্টশিংদগী শন্দোক্লনবগী চাং হেল্লি অমদি হৌজিক ফাওবদা ভেরিয়ন্ট অসি লৈবাক ৫৭ হেনবদা থেংনখ্রে, ফিভম অসি য়াম্না চেকশিন্নিংঙাইনি। ফিভম অসিনা ঐখোয়দা হৌজিক মরুওইবা ৱাহং অমা চোংথোকহল্লক্লি, ঐখোয় হান্না মতম খরগী মমাঙদা কোভিদ-১৯ কন্টেন তৌনবগীদমক চৎনখিবা অকনবা চেৎকশিন থৌরাংশিং অদু অমুক চৎনবা মথৌ তারব্রা হায়বা অসিনি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা মালেম পূম্বগী ওইনা পোজিটিভ কেস মশিং শীংথানিংঙাই ওইবা চাংদা হন্থরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা, লৈবাকশিংনা কোভিদকী চৎন-কাঙলোনশিং খরা কোমথোক্লখি। লোকদাউন থল্লম্বশিং লৌথোক্লখি, স্কুল কয়া অমদি ওফিস কয়াসু অমুক হন্না হাংনরকখিবগা লোয়ননা ইন্টর্নেসনল ফ্লাইটশিংসু অমুক পাইবা হৌখ্রে। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলুরগা কোরোনাভাইরসকী অহুমশুবা ৱেভ লাক্কদবদগী ঙাকথোকহৌনবগীদমক অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং অমদি অথিংবশিং অমুক হন্না থম্বা মথৌ তারে হায়না ফাওবা হায়নবা হৌরক্লে। অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিনা হান্নগী ভেরিয়ন্টশিংদগী শন্দোক্কনবগী চাং হেল্লি হায়রিবসিনা তাকপদি অতেনবা মতম খরগী মনুংদা মীওই মশিং হেন্না নাহনবা ঙমগনি হায়বনি।

ষ্টদিশিংনা হায়রি মদুদি, ওমিক্রোন ভেরিয়ন্ট অসিনা নাহনবা হৌরকপগী ঙল্লিঙৈ ষ্টেজদদি চহী অসিগী হৌগৎলকপদা লৈবাক পূন্বা খুন্তাক লানশিহনখিবা দেল্টা ভাইরস অদুদগী শরুক ৪.২ হেন্না শন্দোক্কল্লি। অতোপ্পা প্রিলিমিনরি ষ্টদিনা হায়রি মদুদি, রেস্পিরেটরি ট্রেক্ট টিস্যু মনুংদা ওমিক্রোন ভেরিয়ন্ট অসিনা দেল্টা ভেরিয়ন্টতগী শরুক ৭০ হেন্না খোঙজেল য়াঙনা মশিং য়ামখৎহনবা (মচা পোকথোকপা) ঙম্মী। মসিদসু নত্তনা দেল্টা ভেরিয়ন্টকা চাংদম্নবদা ইনফেক্সন তৌখ্রবা মতুং শুপ্নতগী পূং ৪৮গী মনুংদা অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিনা টিস্যু মনুংদা লেভেল হেন্না ৱাংখৎপা ঙম্মী। ওমিক্রোন অসিনা দেল্টাদগী হেন্না নেম্বা লাইওংশিং মায়োক্লহল্লি হায়রগসু, মসিনা হেন্না তেনবা মতমগী মনুংদা মীওই মশিং হেন্না ইনফেক্ট তৌহনবা ঙম্বা য়াই। রেষ্ট্রিক্সন থমহৌদ্রগদি ওমিক্রোননা



মালেমদা অহুমশুবা ৱেভ লাকহনবা ঙমগনি।

ওমিক্রোন অসি দেল্টাদগী হেন্না লৌনগনবখক্তা নত্তনা, ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদা নৎত্রগা লায়না অসিনা নারুরবা মতুংদা দিভেলপ তৌরকপা ইম্যুনিটি অদুদগীসু নান্থোকপা ঙম্মী হায়না রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না হায়রি। ভেক্সিনেসননা হেন্না অকনবা মওংদা নাহনবা অমদি হোস্পিটালাইজেসনগী রিস্ক অদুবু তশেংনা হন্থহনবা ঙম্মী, অদুবু ভাইরস অসিদগী মপুঙ ফানা ঙাকথোকপা ঙম্বদি নত্তে। ভেক্সিনেসন মতুংদা অমুক হন্না নারকপগী রিস্ক অসি ইম্যুনোকমপ্রোমাইজ ওইবা মীওইশিংদদি অমুক্কা হেন্না ৱাংলিবনি। ভেক্সিন মেন্যুফেকচররশিংনা মখোয় মখোয়গী ভেক্সিনশিং অদু টেষ্ট তৌনবগীদমক অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিগী অহেনবা দেটা ঙাইনরি। মদু ফংলবতদা, কাপখ্রিবা মখোয়গী ভেক্সিন দোজ অদুনা ভেরিয়ন্ট অসিদগী মপুঙ ফানা ঙাকথোকপা ঙম্বরা ঙমদবরা হায়বদু হায়বা ঙমগদৌরিবনি। খ্বাইদগী হেন্না ওইরকপা য়াবা ফিভম হায়রগদি ভাইরস অসিবু কন্টেন তৌনবগীদমক মখোয়না মখোয়গী ভেক্সিনশিং অদু খরা হেন্না ফগৎহল্লকপা য়াই।

ওইরিবা ফিভমশিং অসি য়েংলুরগা, ভাইরস অসিবু কন্টেন তৌনবগী অমত্তা ঙায়রবা ওইথোকপা য়াবা লম্বী হায়রগদি রেষ্ট্রিক্সনশিং থমজিনবা অসিনা ওইরি, মদু নৎত্রগদি, লাক্কদৌরিবা নুমিৎশিং অসিদা ফিভম অসি হেন্না শোকচিল্লকপা য়াই। অদুগা, হৌজিক নিংথমথাগী মতম ওইবা অসিনা লোক অমসুং কোভিদ অনী অসি পারগা খুদোংথীবা অনী থোক্লা থেংনবা য়াবগী ফিভম লৈ। কেসশিংগী মশিং অসি অসুম লেপ্তুনা হেনগৎলক্লগদি তুংদা ফিভম অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইগনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লৈঙাক্লা ফোর্মেল রেষ্ট্রিক্সনশিং অমত্তা থম্বা লৈত্রি। ইশাগী খূৎ হামদোকপা, লোক খূবা মতমদা চীক খুমজিনবা, মীয়াম তিনবা মফমশিংদা চঙদবা, য়ুমদগী মপান চথোকপদা মাস্ক অমা উপশিনবা, য়ারিবমখৈ য়ুমদা লেঙদনা লৈবা অমদি ভেক্সিন কাপথোকপা হায়বসিনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগী ঐখোয়গী অমত্তা ঙায়রবা ইশা ইশানা তৌজগদবা থৌরাংশিং ওইরি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে